# অকনবা য়ুহাশিং থোকখ্রবা মতুংদা ইষ্টানবুলনা বিল্ডিংশিংগী সেফতি চেক তৌবগী প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে



ইষ্টানবুল, মার্চ ১ (এজেন্সী): হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬ তা হাখিবা অকনবা য়ুহাশিংনা টর্কি অমসুং য়ুমথংনরিবা সিরিয়াদা মীওই ৫৩,৫০০ হেন্না শিহনখ্রবা মতুংদা টর্কিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি ইষ্টানবুলনা সিটি অসিদা লৈরিবা বিল্ডিংশিং থুনা য়েংথোক্লবগী প্রোগ্রাম অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

শাথিরবা য়ুহাশিং অদুনা মরম ওইদুনা সিটি অসিদা লৈরিবা মীয়ামা মখোয়গী য়ুমশিংগী সেফতিগী মরমদা ইন্নরকখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলকপনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মীওই মিলিয়ন ১৬ হেন্না লৈবা টর্কিগী শেল থুম অমদি কলচরগী হব ওইরিবা ইষ্টানবুল অসি পুৱারীগী অচৌবা য়ুহা কয়া থোকহনখিবা নোর্থ এনাটোলিয়ন ফোর্দ লাইনগী নোংচুপ থংবা অরোইবা শরুক্তা লৈ। লোকেল মীওইশিংগী মীপায়বা হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সিটি গভর্ণমেন্টনা স্কেনিং প্রোগ্রাম অসি লোঞ্চ তৌখিবনি। এক্স-রে স্কেন তৌদুনা রিবারশিংগী মশিং থিদোকপা অমদি কনক্রিটকী কন্সিষ্টেন্সি ওন্থোকপা য়াওরিবা সার্ভিস অদুনা গ্রাউন্দগী মপাঙ্গল য়েংথোকপগা লোয়ননা চেক তৌরিবা বিল্ডিং অদুগী সেফতি লেভেলগী চাং লেপকনি।

ম্যুনিসিপালিটিগী আর্থ ক্বেক রিস্ক মেনেজমেন্ট এন্দ অর্বান ইম্প্রুভমেন্ট দিপার্টমেন্টকী হেদ ওস্লেম টুকনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি শাথিরবা য়ুহাশিং অদু থোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মখোয়না টেষ্ট অদুগীদমক এপ্লিকেসন ৮৫,০০০ পীশিল্লক্লে।

প্রোগ্রাম অদুদা ম্যুনিসিপাল টিমশিংনা কুমজা ২০০০ গী মমাঙদা শাখিবা ষ্ট্রকচরশিংদা হান্না মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা নোংমদা বিল্ডিং ১৫০ চেক তৌগনি।

চেক তৌরিবা বিল্ডিং অদুগী কনক্রিটকী মপাঙ্গল শোল্লম্লবদি মদু কলহন্নবগী পাম্বৈশিং শীজিন্নগনি। করিগুম্বা কনক্রিটকী মপাঙ্গল কলহনবগী থবক খুদোংচাদ্রবদি বিল্ডিং অদু মপুং ফানা থুগায়রগা অনৌবা বিল্ডিং অমা ওইনা শাগদবনি। অসুম্না কনক্রিটকী মপাঙ্গল শোনবনা মরম ওইদুনা বিল্ডিং অদু থুগায়বা তারবদি সিটি অসিনা রেসিদেন্টশিংনা রেন্টেলগী মতেং ওইনা টর্কিজ লিরা ৪,৫০০ (দোল্লর ২৩৮) ফাওবা পীগনি। কুমজা ১৯৯৯ দা মেগ্নিট্যুট ৭.৪ য়ৌনা য়ুহা হাখিবদা ইষ্টানবুল লৈরিবা মরমরা রিজন কন্না নিকখিবগা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিদা চাওখৎলবা সিটি অসিগী মীওই ১৭,০০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা মীওই ৩০০,০০০ ময়ুম মকৈ লৈহনখিদবনি। মাঙ তাকপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা সিটি ওথোরিটিশিংনা কুমজা ২০০০ মতুংদা নোমিনেল কন্সট্রক্সন ক্বালিটি মেন্টেন তৌনবগী রেগ্যুলেসনশিং পুথোকখি। বিল্ডিং মিলিয়ন ১.১৬ হেন্না লৈরিবা মেগালোপোলিস অসিদা পায়খৎকদবা থবক অদুক্কী মতিক চাওবনা ইস্যু অসিগী মতাংদা কো ওপরেসন পীননবা ইষ্টানবুলগী মেয়র ইক্রেম ইমাম মো ব্লুনা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

কুমজা ২০২১ গী বিল্ডিং ইনভেন্টরি মতুং ইন্না সিটি অদুদা লৈরিবা বিল্ডিংশিংগী তঙ্খায় অমরোমদি য়ুহাগী রেজিষ্টেন্স ষ্টেন্দর্দ মেন্টেন তৌদ্রে। ইষ্টানবুলগী বিল্ডিং লিশিং কয়া মপুং ফানা থুগায়দুনা য়ুহা হাবদা শোকহনবা ঙম্লোইদবা মখলগী বিল্ডিংশিং নৌনা শাগদবনি হায়না মেয়র অসিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ইষ্টানবুলগী য়ুনিভর্সিটি সেরা পাসা মেদিকেল ফেকলটি হোস্পিটালনা মসিগী কম্পাউন্দদা লৈরিবা বিল্ডিং ১৭কী হেল্‌ঠ অমসুং এদুকেসন সার্ভিসশিং হন্দক্কী শাথিরবা য়ুহাশিং অদুগী মতুংদা লেপখ্রে।

# রুল্লিং পার্টিগী বোলা টিনুবুনা নাইজেরিয়াগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মায় পাক্লে



লাগোস, মার্চ ১ (এজেন্সী): নাইজেরিয়াগী চয়েৎনবা কয়া লৈখিবা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা রুল্লিং পার্টিগী কেন্দিদেট বোলা টিনুবু মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

ওফিসল রিজল্টশিংগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৭০ শুরবা ভেটরন পোলিটিসিয়ন টিনুবুনা অপুনবা ভোটকী চাদা ৩৭ ফঙখি। মহাক্কী মরু ওইবা রাইবেল অটিকু অবুবাকরনা ভোট চাদা ২৯ অমসুং লেবরগী পিটর ওবিনা চাদা ২৫ ফঙখি।

মখোয়গী পার্টিশিংনা মমাঙদা মীখল অদু অরান অহুই কয়ানা থনখি হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অমুক হন্না মীখল পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবনি।

নাইজেরিয়াগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা পোলিটিসিয়নশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা টিনুবুনা মহাক্কী কেম্পেইন অদু মহাক্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি লাগোসকী গভর্ণর ওইরিঙৈদা সিটি অসিবু নৌনা শেমগৎ শাগৎখিবা কয়াগী রেকোর্দতা য়ুম্ফম ওইরগা চখখি।

ভেটরন পোলিটিসিয়ন অসিনা মহাক্না চাংদম্নবদা ন্যু কম্মর অমনি হায়না লৌনরিবা ওবিনা সিটি অসিদা মায়থীবা পীখিবনি। নহা ওইরিবা মীওইশিংগী মরু ওইনা অর্বান এরিয়াশিংগী নহাশিংগী সপোর্ট ফঙনবা লাল্লোং কয়া চখখি। টিনুবুনা মহাক্কী হোম রিজন সাউথ-ৱেষ্টতা লৈরিবা অতৈ ষ্টেট অয়াম্বদা মায় পাকখি। লমদম অদুদা মহাকপু পোলিটিকেল গোদ ফাদর অমনি হায়নরিবনি।

মহাক্না প্রসিদেন্সিগী কেম্পেইন অদু ইমিলোকান (ইটস মাইটন) হায়বা স্লোগানগী মখাদা পাঙথোকখি। মহাক্কী একসেপ্টেন্স স্পিচতা টিনুবুনা তোঙান তোঙানবা থাজনবা লৈবা পার্টিশিং অমদি গ্রুপশিংগী মরক্তা শন্দাইনবা পুরক্লবা আপিল তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মীখল লোইরবা মতুংসিদা ঐহাক্না ফেল্লো কন্টেষ্টেন্টশিংদা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা অমত্তা ঙাইরবা ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু শেমগৎ শাগৎমিন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

অমরোমদা, মহাক্না মহাক্কী লম্বাশিং অদুনা মীখলগী রিজল্টশিং অদু কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ওফিসল রিজল্টশিংগী মতুং ইন্না মীখল অদুদা ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ২৭ ওইদুনা কুমজা ১৯৯৯ দা মিলিটরি লৈঙাক লোইশিনখিবদগী খ্বাইদগী নেম্বা চাংশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

# বেলারসকী ওপোজিসন্না মিঙ্কসকা নক্লনা রসিয়াগী ৱার প্লেন অমা থুগায়খ্রে



লন্দন, মার্চ ১ (এজেন্সী): লোইদা লৈরিবা বেলা রসিয়ন ওপোজিসনগী মীওইশিংনা কেপিটেল মিঙ্কসকী মনাক্তা দ্রোন এটেক চখদুনা রসিয়াগী মিলিটরি প্লেন অমা মখোয়না থুগায়খ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

বেলা রসিয়ন এন্টি-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন বি ৱাই পি ও এলগী লিদর অলিকসান্দর অজারোবনা টেলিগ্রাম পোষ্টকী খুত্থাংদা এটেক অদু মখোয়না চখখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি। রসিয়াগী বেরিব এ-৫০ আর্লি ৱার্নিং এয়রক্রাফট অদু মাচুলিস সী এয়র বেজ মনাক্তা ব্লাষ্ট কয়া থোকহন্দুনা থুগায়খিবনি হায়রি।

বেলারসকী কেপিটেল মিঙ্কসকা নক্লনা রসিয়াগী মিলিটরি এয়রক্রাফট ওপোজিসন কাঙবুশিংনা থুগায়খিবগী থৌদোক অসি মিঙ্কস অমসুং মোস্কোগী মরক্তা কো ওপরেসন পীনবা হেনগৎলক্লিঙৈদা মরক্তা থোরক্লিবনি। দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুনা এয়রক্রাফট অদুগী মমাঙ থংবা অমসুং ময়াই থংবা শরুকশিংগা লোয়ননা মদুগী রাদর অমসুং এন্টিনা অমাঙ অতা থোকহনখি হায়না বি ৱাই পি ও এলনা টেলিগ্রামদা ইখি। অজোরোবকী মতুং ইন্না এটেক অদুদা দ্রোনশিংনা শরুক য়াখি। বেলা রসিয়নশিংনা ওপরেসন অদু চখখিবনি। বেলা রসিয়ন ওপোজিসন লিদরগী এদভাইজর ফ্রনাদ বিয়ালকোকানা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি এটেক অদু য়াম্না চেকশিন্না কো ওর্দিনেসন তৌদনা চখখিবনি।

হৌজিক বেলারসিয়নশিং মীপায় থাবাইবগী ফিভমদা লৈবনা এটেক অদু য়াম্না থৌনা ফনা চখখিবনি হায়বা য়াই। ওপোজিসন কাঙবুশিংগী ওপরেসন অদুদা লোকেলশিং অমদি মিলিটরিনা মতেং চাওনা পাঙখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বেলারসিয়ন ওপোজিসন কাঙবুশিংনা তৌরক্লিবা ক্লেম অসি এজেন্সিনা নিংতম্না কনফার্ম তৌবা ঙমদে হায়রি। রসিয়া অমসুং বেলারস অনীমক্কী দিফেন্স দিপার্টমেন্টশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা ওফিসল কম্মেন্টশিং থাদোরকপা লৈত্রি।

# ‘অসেমনা পিছ, দিভলপমেন্ট অমসুং মল্টিলেট্রেলিজম প্রমোট তৌই’

নোমপেন, মার্চ ১ (এজেন্সী): চহী অনী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা এসিয়া-য়ুরোপ মীটিং (অসেম) না কন্টিনেন্ট অনীমক্তা পিছ, সেক্যুরিটি, কন্নেক্টিভিটি, দিভলপমেন্ট অমসুং মল্টিলেট্রেলিজম ফগৎহনবদা চাওনা মতেং পাংই হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কম্বোদিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর প্রাট সোখোন্না ফোঙদোকখ্রে।

অসেম ডেগা মরী লৈননা পীবা মেসেজ অমদা সোখোননা হায়খি, মদুদি হৌখিবা চহী ২৭ কী মতম অসিদা ইনিসিএটিব অসি কন্টিনেন্ট অনীদা পিছ, সেক্যুরিটি, কন্নেক্টিভিটি অমসুং চাওখৎ খোঙথাংশিং ফগৎহনবনা মরু ওইবা মিশন ওইবা শীংথানিংঙাই ওইবা ফোরম অমা ওল্লক্লে।

মসি ইন্টরনেসনেল ইস্যুশিং অমসুং গ্লোবেল চেলেঞ্জশিং য়েংশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মল্টিলেট্রেলিজমগী ৱাখল্লোনদা থাজনা থবক তৌবা মরু ওইবা ফোরম অমা ওইরকখি। অসেমগী লৈবাকশিংনা অমগা অমগা য়ানবা অমসুং অমগা অমগা ইকায় খুম্নবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি কম্বোদিয়ানা দাইলোগকী য়াম্না চান্নবা মল্টি লেটরেল প্লেট ফোর্ম ওইনা অসেমদা থাজবা চাওনা থম্মী। মহাক্কী লৈবাক্না মেম্বর খুদিংমক্না অমদি ষ্টেক হোল্ডরশিংগা থবক তৌমিন্ননবা অমসুং কোল্লাবোরেসন তৌমিন্ননবা হান্নগুম্না শেম শাদুনা লৈ। অসুম্না অসেমগী মেম্বরশিংনা খুৎশম্মনা অমসুং অমগা অমগা থাজনবগী থবক তৌমিন্নরবতদা ঐখোয়গী লিদরশিংনা থমখিবা মরা তপ্পা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকপগী পান্দমশিং অদু ফঙহনবগা লোয়ননা অসেমগী প্রোসেসতা মখা তানা নৌহৌননা ইনোৎ হাপকনি।

পনবা য়াবদি, অসেমদা পুন্না পার্টনর ৫৩ লৈ। মখোয়গী মনুংদা এসিয়াগী লৈবাক ২১ অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক ৩০ অমসুং অসিয়নগী সেক্রেটরিএট অমদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন য়াওরি। অসেম অসি কুমজা ১৯৯৬ তা লিংখৎখিবনি।

# ফিনলেন্দ, স্বিদেননা নাটোদা য়াওবগী অয়াবা লৌবদা থীন্থবনা এল্লায়ন্স অসিদা থল্লিবা থাজবা হন্থহনগনি



হেলসিনকি, মার্চ ১ (এজেন্সী): ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা নাটোগী মেম্বরশিং ওইবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌবদা থিন্থবা অসিনা এল্লায়ন্স অসিদা থল্লিবা থাজবা হন্থহনগনি হায়না ফিনলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর সানা মারিন্না ফোঙদোকখ্রে।

হেলসিনকিদা লাক্লিবা নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গকা লোয়ননা পাঙথোকখিবা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা মারিন্না হায়খি, মদুদি নাটোগী মেম্বর ওইনবগী এপ্লিকেসনশিং ঙন্না এপ্রুভেল পীরম্বা থোক্লবদি ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেন হৌজিক এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াবনি।

ফিনিস প্রাইম মিনিষ্টর অসি পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা অপীবা ক্রাইটেরিয়া পুম্নমক থুংহনবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবা লৈবাক অনী অসিনা লৈবাক খরগী রেটিফিকেসন ঙাইদুনা লৈরি। তশেংনমক অসুম্না এপ্রুভেল পীবদা থিন্থবা অসিনা নাটোগী ওপন-দোর পোলিসি অমসুং এল্লায়ন্স অসিদা থল্লিবা থাজবা মাঙবগী ফিভম শোয়দনা মায়োক্লহনগনি।

পনবা য়াবদি, ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা হৌখিবা চহীগী মেদা মখোয়গী নাটো মেম্বরশিপ এপ্লিকেসনশিং পুন্না সম্মিট তৌখি। হৌজিক ফাওবদা নাটোগী মেম্বর ৩০ গী মনুংদা ২৮ না লৈবাক অনীগী এপ্লিকেসনশিং অদু রেটিফাই তৌখ্রে।

লৈবাক অনীগী এপ্লিকেসনশিং হৌজিক ফাওবা রেটিফাই তৌদ্রিবা এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিংদি টর্কি অমসুং হঙ্গেরিনি।

জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা নাটোগী চীফ ষ্টোল্টনবর্গনা হায়খি, মদুদি ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেনবু য়াম্না থুনা এদমিট তৌবা হায়বসি এল্লায়ন্স অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌগদবা থবক্নি। মথংগী চয়োলদা হিরম অসিগা মরী লৈননা ব্রাসেলসতা লৈবা নাটোগী হেদ ক্বার্টর্সতা টর্কি, ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেনগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নাটোগী চীফনা লৈবাক অহুমগী মীহুৎশিংগী ওইবা মীফম অদুদা য়ানবা অমা শোয়দনা পুরকপগা লোয়ননা লৈবাক অনী অসি য়াম্না থূনা এল্লায়ন্স অসিগী মেম্বরশিং শুংশোই শোয়দনা ওইরগনি হায়বগী গরেন্টি লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না ইরোই লোইবা ৱারেপ অদু টর্কি অমসুং হঙ্গেরিনা লৌগদবনি।

# গ্রিসতা ট্রেন অনী থেঙ্গাইনবদা মীওই ৩২ শিরে, ৮০ হেন্না শোক্লে



এথেন্স, মার্চ ১ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল গ্রিসতা ট্রেন অনী মকোক মকোক থেঙ্গায়নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৮০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্রিক ফায়র সার্ভিসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, শাথিরবা এক্সিদেন্ট অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লারিসা সিটিগা নক্লবা টেম্পিদা থোকখিবনি। এথেন্সতগী অৱাং থংবা সিটি থেসালোনিটি তম্না পেসেঞ্জর ৩৫০ তোংলগা চৎখিবা পেসেঞ্জর ট্রেনগা ফ্রাইট ট্রেন অমগা থেঙ্গায়নখিবগী মরম করিনো হায়বসি খঙদোক্লবা থিজিনবা হৌখ্রে।

এক্সিদেন্ট অদুদা কেরিয়েস কয়া গুরুং চৎখি। শাফু কন্না থেঙ্গায়নখিবা অদুদা য়ামদ্রবদা কেরিয়েস অহুম মৈ চাকখি হায়না নেসনেল ব্রোদকাষ্টর (ই আর টি) না রিপোর্ট অমদা পনখি। গ্রিক ফায়র সার্ভিসকী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদুদা শিরিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই।

সার্ভিস অসিগী স্পোক্সমেন বাসিলিস বর্থাকোজিয়ানিসনা হায়খি, মদুদি হৌজিক চখরিবা রেস্ক্যু ওপরেসনদা য়ামদ্রবদা ফায়র ফাইটর ১৫০, ভেহিকল ১৭ অমসুং এম্বুলেন্স ৪০ না শরুক য়ারি। পেসেঞ্জর ১৯৪ অশোয় অঙাম য়াওদনা থেসালোনিটিদা পুখি অমসুং মীওই ২০ না বসতা লারিসা সিটিদা পুখি হায়নসু স্পোক্সমেন অসিনা কনফার্ম তৌখি। অশোকপশিংদুগী মনুংদা মীওই ৫৩ হোস্পিটাল অদুদা লায়কন্নরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রসিয়ানা অনৌবা খুৎলায়গী ট্রিটিগী ৱারী শান্নবা লেপ্নবগী লো প্রসিদেন্ট পুটিননা সাইন তৌখ্রে



মোস্কো, মার্চ ১ (এজেন্সী): রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লো অমা সাইন তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লৈবাক য়ুএসকা চখনগদবা ন্যু ষ্ট্রেটেজিক আর্মস রিদক্সন ট্রিটি (ন্যু ষ্টার্ট) দগী সস্পেন্দ তৌরগনি হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাইন তৌরবা মতুংদা লো অদু খুদক্তগী চৎনবা হৌখি। ট্রিটি অদুদা রসিয়ানা শরুক য়ানবা মখা তানা ৱারী শান্নবা হায়বসি লৈবাক অসিগী হেদ ওফ ষ্টেটকী মখা পোল্লি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২১ দা ফেদরেল এসেমব্লিদা পীখিবা চহীগী ওইবা ষ্টেট ওফ ড নেসন এদ্রেসতা পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়া ন্যু ষ্টার্ট ট্রিটিদগী ৱিদ্রো তৌবগী মহুত্তা ট্রিটি অসিগা মরী লৈননা ৱারী শান্নবা অমদি ট্রিটি অসিগী পার্টি ওইবা মতম খরা লেপ্লগনি।

ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী পুক্কৈশিং থল্লিবা বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা রসিয়াদা অকিবা পোকহনবা মরম্না নাটোগী অপুনবা ষ্ট্রাইক পোটেন্সিএল তরাইনা লৌবা য়াদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মথংগী নুমিত্তা রসিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা ন্যু ষ্টার্ট ট্রিটি সস্পেন্সনগী বিল অমা মত অমত্তা ওইনা পাস তৌখি অমসুং মদু ফাইনেল এপ্রুভেলগীদমক পুটিনদা থাখি।

ন্যুক্লিয়র সুপর পৱার অনীগী মরক্তা চৎনরিবা ন্যুক্লিয়র আর্মস কন্ট্রোল ট্রিটি ন্যু ষ্টার্ট অসি কুমজা ২০১০ দা সাইন তৌনখি অমসুং কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী ৫ দগী চৎনবা হৌখি। ট্রিটি অসিগী মতুং ইন্না মসিবু চৎনবা হৌরবা মতুং চহী তরেৎ লৈরগা ট্রিটি অসিগী পার্টি খুদিংমক্না ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম), সবমেরিন লোঞ্চ বেলেষ্টিক মিসাইল (এস এল বি এম) অমসুং ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর ৭০০ তগী হেন্না দিপ্লোই তৌরোইদবনি। মসিগা লোয়ননা দিপ্লোই তৌরিবা আই সি বি এমশিং, এস এল বি এমশিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিক বোম্মরশিংদা ৱার হেদ ১,৫৫০ দগী হেন্না হাপ্লোইদবনি। কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারী ৩ দা ট্রিটি অদুগী টর্ম চহী মঙা শাংদোকপা য়ানবগী এগ্রিমেন্ট অদুগী মথৌ তাবা ইন্টর্নেল প্রোসিজরশিং মপুং ফাহন্নবা লৈবাক অনীনা নোটশিং একচেঞ্জ তৌনখি।

য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাবদগী মোস্কোদা অথিংবা কয়া থমখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী ফেসিলিটিশিংদা ন্যু ষ্টার্টকী ইন্সপেক্সনশিং মতম খরা লেপহল্লগনি হায়না কুমজা ২০২২ গী ওগষ্ট ৮ দা রসিয়ানা য়ুএসতা খঙহনখিবনি।

# পোলেন্দনা মিলিটরি ভেহিকল ১,৪০০ গী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌখ্রে

ৱারশো, মার্চ ১ (এজেন্সী): পোলেন্দগী দিফেন্স কেপেবিলিটিশিং হেনগৎহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা ইনফেন্টরি ফাইটিং ভেহিকল (আই এফ ভি) ১০০০ রোম অমসুং অতৈ গাড়ী ৪০০ লৈননবা লৈবাক অসিগী খুৎলায় শাবা কম্পেনি হুটা ষ্টালোৱা ৱোলাগা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফ্রেম ৱার্ক কন্ট্রেক্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

খুৎয়েক পীনবগী থৌরম অদুদা দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর মারিয়ুস ব্লাজাদনা হায়খি, মদুদি অহানবগী বোরসুপ আই এফ বি মরি চহী অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা পীরক্লগনি। আই এফ বিশিং অসিনা সোভিয়েট মতমগী বি দল্লিয়ু পি-১ আই এফ বিশিংগী মহুৎ শীনগনি।

পোলেন্দগী আর্মদ ফোর্সেসতা অথুবা মতমদা অনৌবা আই এফ বিশিং ইন্দক্সন তৌরগনি হায়না পল্লদুনা ব্লাজাদনা হায়খি, মদুদি পোলিস আর্মদ ফোর্সেসনা হৌজিক ফাওবদা শীজিন্নরকখিবা আই এফ বিশিং অদুগী মতম লোইরে। হৌজিক ঐখোয়না আর্মদ ফোর্সেসতা বোরসুক আই এফ বিশিং ওইনা শীজিন্নরক্কনি।

আই এফ বিশিং অসি অদুতা নত্তনা কন্ট্রেক্ট অদুদা রিকোনিসন্স, কম্মান্ট, টেক্নিকেল সপোর্ট অমসুং কন্টামিনেসন দিটেক্ট তৌবগী ভেহিকলশিংসু লৈবগী ৱাফম য়াওরি।

কুমজা ২০২২ দগী পোলেন্দনা দোমেষ্টিক প্রদ্যুসরশিংগা নোংমৈ অমসুং হোৱিটজরশিংগীদমক অচৌবা কন্ট্রেক্টশিং খুৎয়েক পীনদুনা লাকখি। লৈবাক অসিনা অব্রামস টেঙ্কশিং, হিমার্স রোকেট সিষ্টেমশিংগীদমক য়ুএসকী দিল্লরশিংগা খুৎয়েক পীনখি অমসুং টেঙ্কশিং, হোৱিটজরশিং অমসুং লাইফ ফাইটর জেটশিংগীদমক্তা সাউথ কোরিয়াগা খুৎয়েক পীনখি।

পোলেন্দনা য়ুরোপতা নাটো মেম্বরশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা গ্রাউন্দ ফোর্সশিং শেমগৎনবা পান্দম থল্লি হায়না ব্লাজাদনা হৌখিবা চহীগী জুলাইদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# রেগ্গিংগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মহৈরোয় মঙা তান্থোক্লবা য়ুনিভর্সিটিদা খঙহনখ্রে

ধাকা, মার্চ ১ (এজেন্সী): রেগ্গিংগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা মহৈরোয় মঙা তান্থোক্লবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কুসিটিয়াগী ইস্লামিক য়ুনিভর্সিটিদা বংলাদেশ হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে।

রেগ্গিংগী থৌদোক্কা মরী লৈননা কোর্টনা য়ুনিভর্সিটি অদুদগী তান্থোক্লবা খঙহনখিবা মহৈরোয় মঙা অদুদি বংলাদেশ ছাত্র লিগ (বি সি এল) গী লিদর সঞ্জিদা চৌধুরি ওন্টোরা, ফাইনান্স এন্দ বেঙ্কিং দিপার্টমেন্টকী টাবুসুম ইস্লাম অমসুং মৌবিয়া, ফাইন আর্টস দিপার্টমেন্টকী হালিমা খুতুন উর্মি অমসুং লো দিপার্টমেন্টগী ইসরট জাহন মিন অসিনি। কোর্টনা য়ুনিভর্সিটি অদুদা ফেব্রুৱারী ১২ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দেসরাট নো সেখ হাসিনা হোল প্রোবোস সামসুল অলম, হাউস ত্বিটর অমসুং অতৈ কয়া দ্যুটিদগী লৌথোক্লবসু দিরেক্সন পীখি।

জুদিসল ইনক্বারি কম্মিটি অমনা মীওই তরুক অদু থৌদোক অদুদা চেন্নে হায়বসি খঙলকখিবগা লোয়ননা ইনক্বারি রিপোর্ট সম্মিট তৌবদগী কোর্টনা ওর্দর অসি পীখিবনি। ওর্দর অদুদা হোল প্রোবোস অমসুং হাউস ত্বিটরনা মখোয়গী তৌফম থোকপা তমথীনা ওৎ নৈখি অমসুং মদুগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা থৌওংশিং অদুদা নীংথিনা রেস্পোন্দ তৌখিদে।



রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না য়ুনিভর্সিটিগী প্রোপ্টর অদুসু মথৌদাংশিংদা থৌশাখিদে। ওৎ নৈরবা মতুংদা ভিক্তিম অদুবু নম্ফুদা বোন অমা সাইন তৌহনখি হায়নসু কম্মিটিগী রিপোর্ট অদুদা পনখি। নুপীমচা অদুনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুবু মহাক্কী সেনিয়রশিং অমদি ইমুংগী মীওইশিংদা তম্বদগী রেগ্গিংগী শাথিরবা থৌদোক অদু খঙহনখিবনি হায়রি।

কম্মিটিনা হায়খি, মদুদি ইস্লামিক য়ুনিভর্সিটি অমগী মহৈরোয় অমসু ওইরিবা ফুল পোরি খাতুন কৌবা ভিক্তিম অদু মীনুংশি অমত্তা চেন্দনা মথৌদাংশিং অমত্তা পাঙথোকখিদে হায়না পনখি।

# ইনভাইরনমেন্টেল কেম্পেন্নর গ্রেটা থনবর্ক দিটেন তৌখ্রে

ওস্লো, মার্চ ১ (এজেন্সী): য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওস্লোদা ইন্দিজিনস রাইটস শৌগত্তুনা চখখিবা দেমোন্সট্রেসন অমদা ইনভাইরনমেন্টেল কেম্পেন্নর গ্রেটা থনবর্ক অনীরক দিটেন তৌখ্রে হায়রি।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পুলিসনা মহাক অমসুং অতৈ এক্তিভিষ্টশিংবু ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদগী অমসুং মতুং তাবদা ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিদগী লৌথোকখি। সেন্ট্রেল নোৱেগী সামি হর্দরশিংনা শীজিন্নবা রেন্দিয়রগী শঞ্জাবুংশিংদা লৈরিবা ৱিন্দ টর্বাইন ১৫১ লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা পাঙথোকখিবা দেমোন্সট্রেসনদা থনবর্কসু য়াওশিনখিবনি। দেমোন্সট্রেটরশিংনা হায়রিবদি লৈবাক অসিনা গ্রিন ইনজিদা মীৎয়েং থমদুনা ইনর্জিগী ওল্টর্নেটিব ছোর্সশিং থীরকপদা ইন্দিজিনস রাইটশিংদা শোকহল্লোইদবনি।

দেমোন্সট্রেটরশিংনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা গভর্ণমেন্টগী বিল্ডিং খরা থিংজিনখিবগা লোয়ননা সেন্টর-লেব মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট ক্রাইসিস মায়োক্লহনখি। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ইনর্জি মিনিষ্টর টেরজে অস্লানগী বৃটেনদা চৎকদবা ওফিসল খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে।

ফোসেনগী ৱিন্দ ফার্ম অনীদা থল্লিবা টর্বাইন্দশিং অদু ইন্টরনেসনেল কনভেন্সনশিংগী মখাদা সামি রাইটশিং ভাইওলেট তৌই হায়না নোৱেগী সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০২১ দা রুল্লিং পীখ্রবসু থা ১৬ হেল্লবা ফাওবদা টর্বাইন্দশিং অদু মথৌ তৌদুনা লৈখি।

প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা ইনভাইরনমেন্টেল কেম্পেন্নর থনবর্কপু পুলিস ওফিসরশিংনা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদগী থাংলগা পুখি। দেমোন্সট্রেটর চা কয়া স্লোগান কয়া লাউদুনা ওথোরিটিশিংগী থৌওং অদু কন্না য়ানিংদবা উৎখি। থনবর্ক অমসুং অতৈ দেমোন্সট্রেটরশিংনা মতুং তাবদা ক্লাইমেট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী গেট থিংজিনখি। মদুদসু মহাক অমসুং অতৈ দেমোন্সট্রেটরশিংদু অমুকসু পুলিসনা মফমদুদগী পুথোকখি।

মালেম পুম্বনা কার্বোনদা বেজ তৌবা ইনর্জি শীজিন্নবা লেপহন্নবগী কেম্পেইনদা মশকনাইবা কেম্পেন্নর অমা ওইরকখিবা গ্রেটা থনবর্ক অতৈ এক্তিভিষ্টশিংগা লোয়ননা থাদোকখি। রিয়েন্দিয়র লোইরিবশিংনা হায়রিবদি অচৌবা ৱিন্দ পৱার মেছিন্নরি পুবদা মখোয়গী শাশিং অদু অকিবা পোকপদগী মখোয়দা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি।